# নট সঙ্কীর্ত্তন শৈশকপা গুরু থৌনাওজম হরিদাস

- ডা. চকপ্রম নরেন্দ্র -

হোৎনবা কনবা মী খক্তনা মহয় ফংই। ঐনা তাইবঙ মপু খুরুম্বগী মহয় কনানসু ফংদে, ইশা-ইশানা মহয় ফংবা অসি হৌনশানি। চপ মান্ননা মহৈ তম্বদা চাবা তূম্বা চঙদনা হোৎনবা মী খক্তনা মীথোই মীহেন ওইবা অসি লেঙদ্রবা ৱাফমনি। অসুম্না শীংথাবা য়াবা মীওই কয়া অমা লৈরি। মখোয় অদুগী মনুংদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী শৈশকপা থৌনাওজম হরিদাসসু অমনি।

থৌনাওজম হরিদাস কুমজা ১৯৬৭কী মার্চ ১দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকায়দা পোকখি। অপোকপগী মিং থৌনাওজম বিদুর অমদি অপোকপীগী মিংনা থৌনাওজম ওংবী কুমুদিনি কৌই। মখোয় মচিল-মনাও ৬কী মনুংদা মহাক্না মরিশুবনি। ওজা অসিনা পীক্লিঙৈ মতমদা লৈনৌ কংলৈ উত্রা শঙলেনদা দ্রামা য়াওবা হৌরকখি। লোয়ননা হাওরোকচম ওজা ইবোতোম্বীগী মখাদা দ্রামাগী ৱার্কশোপ য়াওরকখি। মতুং তারকপদা লৈকায়দা লাৎপা দুর্গা পুজা অমগী নুপামচা পালা অমা শেম্বা হৌরকপদা ওজা অসিসু ঈশৈ শকপা য়াওসি হায়দুনা মমান্নবা ময়াম হৌনরকপদা থিঙ্গোম লৈকায়দগী ওজা বিধুনা তম্বীদুনা দুর্গা পুজাগী নুপা পালা অসিদগী ঈশৈ শকপা হৌরকখি। মতম অসিগী দুর্গা পুজা অসি লোইখ্রবা মতুং ওজা বিধু অসিগী মফমদা লেপ্তুনা ঈশৈ তম্বা হৌখি।

চহী খরা লৈরবা মতুং সয়াংদগী ঐজ্ঞা অমনা খম্নাম ওজা থোকচোম ইবোতোনগী মনাক্তা পুশিনবীদুনা ঈশৈ অসি মখা তানা তমখি। মতম অদুদদি য়ূমদগীসু শেল নীদে। অদুনা ঈশৈ তম্না তম্না মীগী খুলং শুবা অদুম য়াওরকখি। মীগী শীং চনবা য়াওরগা মদুদগী ফংলকপা শেল অদুনা চেঙ-চাক ৱান্দুনা চারকই। শেল লৈতবা মতমদদি চা থক্লগা লেনবা নুমিৎ কয়াসু য়াওখি। মতম খরা লৈরগা মথক থোংবা কয়াগী পালা ওইনা ঈশৈ চৎপা হৌরকখি। তোয়না চৎপা নত্তবনিনা মদুসু শেলগী অৱাবা অদুম মায়োক্লখি। মরম অদুনা য়ূমগী অৱাবা অদু খঙদুনা য়ূমদগী মতেং লৌনবা হোৎনখিদে।

মীগী খুলং মখা তানা অদুম চৎখি। অদুনা চান-থক্লবা মেল্লকখি। চহী খরা লৈরগা ওজা অসি তাইবঙপাল থাদোকখি। অদুনা ওজাগী মথৌ মঙম লোইরগা য়ূমদা হল্লকখি। মখা তানা হান্নগী ওজা অদুগী মফমদা ঈশৈ তমখি। মখা তারকপদা ক্বাকৈথেলদগী ওজা কোন্থৌজম সনাতনগী মফমদা অমুক ঈশৈ তম্বা হৌখি। লাইবক ফবনা ওজা সনাতনগী মনাক্তা চঙজরুবদগীদি ঈশৈ শকপা, দুহার অসি তম্বা হৌরকখি।



খূবাক চোলোম তমদুনা খূবাক চোলোম তৌরকখি। দুহারগী ওইবা চোলোম কয়াসু তম্বা ফংজখি। মতম শাংনা ঈশৈ তম্বা ফংজরকপনা লুহোংবা, শোরাৎ, ফিরোইগী ঈশৈ শকপা নৎত্রগা দুহারদা মীয়াম্না পাম্নবা হৌরকখি। অয়ূক নুংথিল পারগা ঈশৈ তম্বা অসি খোঙনা চৎতুনা তম্লম্বনি অদুগা ঈশৈ চৎপা মতমদা মীগী সাইকল ৱাইদুনা চৎলম্মী। নিংথেম পূখ্রি মপালদা লৈবা হঞ্জবম নন্দ শর্ম্মনা তম্বীদুনা রাম লীলাদা রামগী শক্তম লাংদুনা লীলা কয়া শান্নখি। লোয়ননা থাংমৈবন্দদা লৈবা ইরুংবম ওজা ইবোতোম্বীদগী নিমাই সন্যাস তমখি। মতম অসিদা খুরাইগী তাওরেম ওজা য়াইস্কুলনা শকপা নিমাই সন্যাসকী দুহার চৎপদা ওজাসু নিমাই সন্যাস শকনীংবগী ইথিল কয়া লাকখি।

মতম অদুদগী তূম্বা-চাবা খঙদনা নিমাই সন্যাস অসি চিনফা পুবা ঙম্নবা কন্না লাইরিকনচিংবা পাদুনা ঔরাইখি। লাইবক ফবদগী লৈকায়গী শোরাৎ অমা শকপগী তাঞ্জা ফংলবদা থৌবুগী অয়াবা লৌদুনা শোরাৎ অসি নিমাই সন্যাস শকপা অসিদা য়ান্নবা পুরক্তুনা তশেংনা হায়রিবা ঈশৈ শৈশক অসি শকপা তাখি। মমাঙদা দ্রামা তম্লকপগী কান্নবা লৌদুনা ঈশৈ ময়েক্না পীবা দাইলোগকী মতমদা কপ্পা, হরাওবা, অৱাবা অসিনচিংবা কয়া অসি ফোঙদোক্তুনা অহানবা ওইনা নিমাই সন্যাস শৈশক অসি শক্লুবা মতমদা মীয়াম্না নুংশিবীবা হায়বদু ওইখিদুনা নিমাই সন্যাস শকপা অমা ওইনা খঙনদুনা নিতি লীলা শক্লম্বদগী চান্ননা নিমাই সন্যাস শৈশক অসি ওজানা শকপদা হেন্না অপান্বা পোক্লরি। চোলোমদসু ৱাং চাউরবা শবান অদুনা নোম্বা শানোম, চোলোমদসু মীয়াম্না পাম্নবা অমা ওইরি। মরম অসিনা মতিক-ময়াই লৈবা নট সঙ্কীর্ত্তন শৈশকপা অমা ওইবা ঙম্লি।

ওজা অসিগী তোঙানবা মতিক-ময়াই অমা হায়রগদি ওজা অসিনা ঈশৈ মনুংগী দাইলোগতা ঙাঙবা শকপা অসিনি। থৱায় য়াওনা খোঞ্জেল হৌনা-হৌনা শকপা ঙম্বা অমদি তারিবা ভাবোক মচি লেঙহন্দনা লৈহনবা ঙম্বা অসিনি।

গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা কর্টাল সোলো চোলোমদা ওজা অসিগী নাইতোম চোলোম পাঙথোকখিবা অদু ঙসি ফাওবা শীংথানরি। তশেংনা নাইতোম চোলোমগী ফজবা মপূং ফানা উবা ফংখি।

অতোপ্পা তমজরকপা ওজা খরগী মনুংদা ওজা শগোলশেম কালিদমোন, ওজা চানবী, ওজা নিংথৌজম স্যামচান্দ পনবা য়াই। ওজা ময়ামগী থৌজালদগী থৌনাওজম ওজা হরিদাসনা মণিপুরগী ৱাংমদা হায়বদি ত্রিপুরাগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া- হোজাই, কছার, বাংলাদেশ, কোলকটা, নবদ্বিপ, ম্যান্মারদা ফাওচৎতুনা নট সঙ্কীর্ত্তনগী থৌগল তৌরুরে। লোয়ননা হি লানবগী মপা শাবা ওইনসু হি কয়ারক লানখ্রে। ওজা হরিদাসকী মহৈরোয় কয়া লোয়ননা ওজা অসিনা শেমজবা ঝাল চোলোম য়াম্না ফজৈ। নুপা থোকপা অপুনবগী চোলোম অমনি ওজাগী ঝাল চোলোম।

ওজা অসিগী হোৎনজমন ওইনা মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা হৈস্নাম নিঙোল অশংবী সনাগী মেদল পীবিদুনা ইকায়খুম্নবীখ্রে। অসিদা নত্তনা শ্রীশ্রীগোবিন্দজি নট সঙ্কীর্ত্তন, ৱাঙ্খেনা পদ্মশ্রী অষ্টাদ দেবো এৱার্দ, মণিপুর সর্ভোদায়া মন্দলনা সাইটেশন, ইন্টরনেশনল সঙ্কীর্ত্তন দে সিলেব্রেশন নুমিত্তসু অভিনন্দন পত্র পীবিদুনা ইকায়খুম্নবীখ্রে।

থৌনাওজম ওজা হরিদাসনা ওজাগী মনাক্তা চাবা ফংদনা চরা হেন্দুনা ঈশৈ তমজরকপা, খোঙনা চৎতুনা সাইকল ফাওবা থৌবা ফংদনা ৱানা অমদি থৱায় য়াওনা ঈশৈ তমজখিবা অদুগী মহয়না ঙসিদি মীয়াম্না পাম্নবা শৈশকপা হায়বদু ওইরে অমদি মহৈরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্বা ওজাশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অসি ওজাগী হৌখ্রবা মতমগী মহৈ তম্লিঙৈ পূক্লিং চঙখিবা অদুগী মহয়নি। ●

# ‘মণিপুরদা নমদুনা মীকোক থিবা’ - ২

- মোইরাংথেম নবকিশ্বর -

হন্দক্কী মীকোক থিবসিদা য়ূম্ফম ওইরগা চহী কয়া পাঙথোক্তদুনা লাক্লবা দিলিমিটেশনগী থবকসু পায়খৎলক্কদৌরিবনি। কুমজা ২০১১দগী হৌনা হেনগৎফম থোক্তবা চাংদগী কা হেন্না মীশিং হেনগৎপগী রেকোর্দ তৌদুনা লৈরবমক্তদা হৌজিকসু অমুক মীতোপশিং খন্দোকপা তৌদনা মীকোক থিরবদি লমদমসিদা লৈবা য়েলহৌ ফূরুপশিং (ইন্দিজিনস পিপল) দগী মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা হেন্না মশীং য়ামথোকখিদুনা মমৈদা পোলিটিকেল রাইট ফাওবা মীতোপশিংনা পায়খিগনি হায়বগী মীপাইবা ফাওরক্তুনা মীকোক থিবসি মীতোপ খন্দোক্তনা থিবা য়ারোই হায়রকপনি। খুদম হায়ববু জিরিদা মীতোপ অমনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রে হায়নরক্লিবসিনি। ত্রিপুরাদা বেঙ্গোলিশিংনা সাসন পায়খ্রে।

সী এস ওশিংনা শংদোক্তুনা ফনা কন্না লাউজরবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না নমদুনা মণিপুরদা মীকোক থিনবা থৌরাংলক্কনি। মসি নমদুনা থিংহৌগদবনি। মণিপুর অসি লালহৌবগী ঈরাং লৈবা লমদমনি। লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্না নমদুনা মুনবীখিবনি। মদু হঞ্জিনহনগদবনি হায়বগী ৱাখলদা লমদমসিগী নহা কয়া মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা নীংতম লান হৌবা লালহৌলূপ ৭/৮মুক মণিপুরগী লৈমায়সিদা লৈরি। মসি পূম্নমক মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্না খঙলবা ৱাফমনি। হেন্না মশক থোক্না খঙখিবদি কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১৯দা নরেংবম সমরজিৎ অমদি য়াম্বেম বিরেন অনীনা লন্দনদা প্রেস মীট অমা তৌদুনা মণিপুর ইন্দিয়াদগী নীংখা তল্লে অদুগা ‘মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল’ অমা শেল্লে হায়না লাউথোকখিবদগী অমুক্কা হেন্না ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনবীদুনা লৈবা ওইরেকো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙনরকখিবনি।

মণিপুরগী লালহৌবগী ঈরাং তরাইনা লৌবা য়ারোই হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাকসু খঙলিবনি। চহী কয়া থোঙ লাউনা হাঙদুনা ৱারী শানসি হায়বদা চঙলকউ য়াদদুনা ঙসি ফাওবা লৈরিবনি। হন্দক্তা ফেক্সন গ্রুপ অমা চঙখিবদুসু শানগদৌরিবা ৱারী অদুদা মণিপুর নীংতম্বা পীবগী ৱারী য়াওদ্রবদি ৱারী শানবা য়ারোই, ঐখোয় খূৎলায় থাদোকখিরোই হায়দুনা খূৎলায় অমত্তা সরেন্দর তৌদনা লৈরিবসিনি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্না অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা লালহৌবগী ঈরাং খুদিংমক লাক্লিবা কুমজা ২০২৯ ফাওবগী মনুংদা পুংমুৎ মুত্থৎলগনি হায়দুনা ফোংনা লাউথোক্লি। মসিমক্লা মরম ওইদুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা লমদমসিদা খুন দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্তা হূ কামশিন্দুনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা কুকিশিংদা ইনশিন্দুনা মখোয়গী ওইবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তালহন্দুনা মীতৈশিংগী মথক্তা অকিবা ফংলবা লান্দা চত্থহল্লি। লৈরিবা সেন্ত্রেল ফোর্স লিশীং ৬০/৭০সিনা ঙাক্লৌ পীদুনা ঙসি ফাওবা বফর জোন অমা খায়দোক্তুনা অদুগা নমদুনা মীতোপ খন্দোক্তনা মীকোক থিনবা থৌরাংলি।

নোংমা নৎত্রগা নোংমা ইমা লৈবাক মণিপুরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা হৌরিবা নীংতম্বগী লান অসিগী মতাংদা ৱাখৈনদবা য়াদবা মতাং অমা শোয়দনা লাক্কনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্নদি নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবগী ঈরাং কুমজা ২০২৯দা পূন্না লোইশিল্লগনি লাউথোক্লি। ঝরখণ্ড অমদি ছটিশগরদা মাওইষ্টশিং অমদি নেক্সলাইটশিং থুপচিনখিবা অদুগুম্না থুপচিনগনি হায়না মঙ মঙলি। মঙদু মঙফাওনবা ঙমগদ্রা? ইন্দিয়নশিংদি আরয়াননি। অদুবু নোর্থ ইষ্টকী অয়াম্বা মীওইশিংদি মোঙ্গোলোইদনি। অনীসি চাকচা-য়ুথকসু তিন্নদে, কলচরসু খেন্নে। কাঙলূপ-ফূরুপসু পুনবা, চাকচা-য়ুথকসু মান্নবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক কোকথোং অমা লৈরি। মতমদুদা হায়রিবা লৈবাকশিংদুনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোকখিগদ্রা? পঙলবা ঐগী ৱাখলদদি মঙদা মঙ্গ্রা তানবগুম থোক্কনি খঞ্জে। কিলোমিটর ১৬০০/১৭০০ সিবু কনানা ঙাক্লিবগে, ইন্টরনেশনল বাউন্দরিদা?

মণিপুরগী লালহৌবগী ঈরাংগা ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ঈরাংশিংগা চান্মদা চান্মা খেন্নে। মণিপুরদি কাঙলোন অমগী মখাদা ইন্দিয়াদা পুনখিবনি। অপূনবা ইন্দিয়া শেমগৎলকপদা মণিপুর য়াওরকখিবা নত্তে। ইন্দিয়ানা দেমোক্রেসি চৎত্রিঙৈদগী মণিপুরদদি দেমোক্রেসি চৎতুনা কুমজা ১৯৪৮দা মীখল পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা লৈঙাক লিংদুনা লৈবাক ঙাক্লকখ্রবনি। অদুগুম্বা লৈঙাক্তু মুত্থৎলগা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নমলৌ লৌশিনখিবনি। মসিবু য়ুনাইটেদ নেশন ওর্গনাইজেশন, ১৯৪৫ শেম্বদা অসিগুম্বা থৌওংসি চৎনবা য়াগনি হায়দুনা ইখিবরা? ঐখোয়না অদুঙৈ মহৈরোয় ওইরিঙৈদা থেংনজখিবদা য়ু এন ওগী এইমস এন্দ ওবজেক্টস অসি অসুম্না থেংনজখি - "The United Nations Organization (UNO)" aims is to maitain international peace and security, develop friendly relations among nations based on equal rights, achieve international cooperation in solving global economic/social problems, and protect human rights." অদুনা মণিপুরগী লালহৌবগী ঈরাং অসিদি পোলিটিকেল সোল্যুশন নত্তনা লোইশিনবা শুকঙম ঙম্লোই। পোলিটিকেল সোল্যুশন হায়বদুদি য়ু এন ওগী মখাদা ৱাখৈনবা অমা লাকপা তাবনি। মতমদুদদি রিফরেন্দম অমা লৌনরসি শোয়দনা হায়রক্কনি। খুদম ওইনা ইষ্ট টিমোরনা ইন্দোনেসিয়াদগী নীংতম্বা ফংখিবদু মে ২০,২০০২দা রিফরেন্দম অমা লৌথরগা কনা কনানা নীংখা তম্বা পাম্বা, নীংখা তম্বা পামদবনা কনা-কনানো হায়বদু ভোট লৌনরকপা মতমদুদা ইষ্ট টিমোরগী মীওই চাদা ৭৮না নীংতম্বা পাম্বগী ভোট পীদুনা ইষ্ট টিমোর ইন্দোনেসিয়াদগী মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইবা ফংখিবনি। মণিপুরগী তঙ্খায়মুক্তা চাউবা ঈথৎ লৈবাকসি ঙসিদি মালেমদা হাইনা হুম্না মনীং মখা তম্না পানবা ঙম্বা লৈবাক হায়বদু ওইখ্রে।

মণিপুরদসু তঙাইফদনা অদুগুম্বা রিফরেন্দম অমা লৌনরকপা তারবদি লমদমসিদা লৈবা অমদি লৈজরকপা নীংতম্বা পাম্বা য়েলহৌ ফূরুপশিংদগী মীতোপশিংনা হেন্না মশীং য়ামহল্লবদি অদুগুম্বা চাংয়েংদুদা মায়থীবা মশানা তাবনি। খুদম ওইনা নন মণিপুরীদা লাখ তরা, কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংদা লাখ ১০ অমা থাজিন্দুনা খিঞ্জিন্দুনা থম্লবা, মীকোক থিজিনবদা য়াওহনথোকখ্রবা, নাগাশিংদনা নখোয়গীদি সোভরেন্ট কন্ত্রিমক্তি হায়রনু নখোয়গী তোখায়বা ফ্লেগ অমগা কন্সটিট্যুশনগা পীরনি হায়দুনা থেমজিল্লগা ভোট পীহন্দ্রবা মতমদুদা নুংঙাইবা পাম্মনবদগী/ৱানীংদবদগী মচা অমমমখক্তা পোক্লবা মীতৈ খুজোক লাখ ১৪/১৫ খক্তনদি কৈদৌরুনি, মাইনোরিটি তাবা তাবনি। মসিগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না নমদুনা মীকোক থিনবা থৌরাংলক্কনি। হন্দক্তা নৌনা পাস তৌখিবা দি ইম্মিগ্রেশন এন্দ ফোরেন্নর এক্ট, ২০২৫দা ষ্টেটতা ফনা পৱার পীজরবসু মীতোপ খন্দোকপা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক য়াওদনা কৈদৌনুংদা ওইথোকলোই। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরদা এন আর সী শুংপাং পাঙথোক্লোই। অসুক য়াম্না দ্রোনদগী বোম থাদদুনা, রোকেট লোঞ্চর কাপশিন্দুনা অমদি মিসাইলগা মান্নরবা বোম ফাওবা এক্স সী এম মোইরাং কোইরেংগী য়ূম ফাওবদা কাপশিন্দুনা কুকিনা মীতৈশিং অসুক য়াম্না হাৎলবা ফাওবা করিমত্তা হায়দ্রবা, অৱাবা মচেৎ অমত্তা ফোঙদোকখিদ্রবা মোদি লৈঙাক্না কদায়দগী এন আর সী। এন আর সী হায়বদুদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী মখাদা লাক্কদবনি। মণিপুরদদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশন চৎসু চৎনদনা। কন্সটিট্যুশনগী লো ময়ামদু চৎনরদবু অসুক কুইবা চহী অহুম হেল্লবা ঈরাংসি লৈরমখিগদ্রা? নহান্না হাপ্তা অমদা লোইশিনখ্রগদবনি। মণিপুরদদি লো অমত্তা চৎনদে। কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা মশীং শুদ্রবা বি জে পিনা কোংগ্রেসতগী এম এল এ অমা ফারগা লৈঙাক অদুম শেমখি। চহী মঙা মপূং ফাখি। মথং অমুক হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিনি চহী ১০ মুক মপুং ফারনি। লৈবাক কাং-খোং চাইবনা চাইজবনিদনা। লৈঙাক্তি লৈরি। লো চৎনবা চৎনদবা তোঙানবনি। অদুবু অসিগুম্বা লৈঙাক্তি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈরম্লোই।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিং অমত্তা অপঙবা নত্তে। মমাঙদা চত্থখ্রিবা লাল্লোং কয়াসিনা লোইবা নত্তে, অঙক-অঙকপা মখলগী লাল্লোংনি চত্থরক্কদৌরিবা ময়ামসে। ম্যান্মারদগী লালহৌবা এক্সত্রিমিষ্ট কে এন এ-বি অমদি পি দি এফ ময়াম অমা চঙশিল্লক্তুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা নমলি, ৱাংলি অমদি জেদ চোরোদা খুঞ্জাশিংগী ময়ূম মকৈ পূম্নমক মৈ থারগা তাল্লবা থৌদোক্তু লৈঙাকসি শেম্বদা য়াওরিবা এম এল এ অমনা ফাওবা অমদি মফমদুদা লৈবা খুঞ্জা খুদিংমক্লা থৌদোক অদু ফোরেন্নর কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংনা থোকহনবনি হায়র ফাওবদা মমিংখক্তগী ওইনা লৈরবা হোম মিনিষ্টরনা মপান্দগী চঙলকপা ফোরেন্নরগী খূৎ য়াওবগী মমি উদে, কন্না থিজিল্লি হায়রগা ঙসি ফাওবা লমহেন-তুহেনবা (শাহিং চাবগী শক্লোন লৌরবা) মী অমফাওবা ফাবগী পাউ তাখিদ্রি। অসুম্না লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী লম মচেৎ-মচেৎ মুলহনখিগদৌরে মায়কৈ মরিদগী। হৌজিক ঐখোয় কৈদৌসিগে?

ভোটসু কুইদ্রে লাক্কদৌরিবা ২০২৭কী ইলেক্সন অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ভোটর অমমমদা লুপা লিশীং ৩/৩, ৪/৪দি পীরক্লনি। সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বরশিংদা চাওখৎনবা/চাওথোকচনবগী নম্মাদা করবার মচা/মচা তৌজনবগী নম্মাদা বিহারদা তৌখিবগুম য়ূমথোঙগী নুপী অমমমদা লুপা লিশীং ১০/১০ অমগা থাদরক্লনি, ভোট থাদরক্কবা মথংগী লৈঙাক অমমুক শেম্নবা। অসিগুম্বা শেনফম খরখক অসিগী মঙলান্দা তাওদুনা লৈবনদি ইমা লৈবাকসি কনবা ঙম্বদি লায়রদনা ইফূরুপ-ইজাতি অসি পুংমুৎ মুৎখিগনি।

ইফূরুপ ইজাতি অমদি য়েলহৌমীশিং পূম্বা কঞ্জনবা লাক্কদৌরিবা মীকোক থিবা অসি মীতোপশিং নাখৈ শেংনা খন্দোকক্ত্রিবা ফাওবা থিংলগা টামিল নাদুগী অনৌবা সী এম, সি জোসেপ বিজয়গুম সেন্টরগী পুঙলোন্দা জগোয় শারোইদবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংলগা ইমা লৈবাক ইরমদম মণিপুর কনবা মথৌ তাদ্রিবরা?

থোরক্লো ইরৈচাশা, পোক্লফম ইমানা কৌরে।
ইমাগী কোরৌ, ইমাগী তর্পন
ইমাগী লাংলেন, ইমাগী য়াইস্না
পুনশিল্লো নখোয় অমত্তা ওইনা
ইমাবু কল্লরো, ইমাদি ঙক য়ৌরে
পূখ্রি ময়ায়সিদা। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৪২

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

মতাংসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফম অমদি - মথক্তা পঞ্জখিবা লৈপাক অমমমগীনি হায়না লৈনরিবা চৎনবীশিং অদু মপূং ফানা লৈতবা নৎত্রগা চৎনবীনি হায়রগসু সাইন্টিফিক ওইদবা অমদি মী নৎত্রগা অতোপ্পা থৱায় পানবশিংবু ওৎপী-নৈবীবা, হাৎতোকপীবা অমদি মখোয়শিং অদুদা নুংশিবা উৎপা ঙমদবগী ঈথিল পীবা চৎনবীবু চৎনবীনি হায়দুনা চৎনবা লৈপাক নৎত্রগা মী কাঙলূপ ঙসিগী চাওখৎলে হায়নরিবা ঙসিগী মীলোন (মীরোল) অসিদসু লৈরিবনি হায়জনীংই।

কনাগুম্বা লন্নাই মী অমা নৎত্রগা মী কাঙলূপ অমা নৎত্রগা কাঙলূপ অমগী নৎত্রগা লৈপাক অমগী অফোংবা নৎত্রগা অরোনবা মীহুৎ অমা - হায়রিবা অহুম অসিগী মনুংদা অমা হেক্তনা নৎত্রগা মখোয় অহুম পুল্লগা অমত্তা ওইনা ঈলৈপাক অসিগী য়েলহৌমী ওইবা মীতৈ-মৈতৈ কাঙলূপ্পু অতম্নবা মুত্থৎনবা হোৎনরম্লবা মতুং (হৌজিকসু মুত্থৎনবা অমদি নমথনবা হোৎনরি) ঈলৈপাক অসিগী য়েলহৌমী ওইবা চীন্মী (চীংমী) কাঙলূপ্তা অমুক অতম্ননা লানতাপা (লান্দাবা) হৌরক্লিবা অসিনা তাক্লিবদি - হায়রিবা লন্নাই মী নৎত্রগা মী কাঙলূপ নৎত্রগা লৈপাক অমগী মীহুৎ- মখোয় অমমমনা চৎনরমগদবা চৎনবী অমমম অদুগী মনুংদা থংৱাই পানবশিংবু নুংশিনপা (নুংশিবা) ঙম্বগী ঈথিল (হায়বদি থংওইনুংগী শেংলবা ঈ অদুনা মদু তৌ, মসি তৌ হায়দুনা থিন্দুনা তাক্লকপা) পীবা চৎনবী য়াওরম্লোই হায়বসি মশানা তাবা ৱাফম অমনি। মখোয় অমমমনা চৎনরিবা চৎনাইপী (চৎনবী) অদুগীদমক ইকায়বা পোকই, অমরোমদনা হায়রিবা চৎনাইপী (নাই) অদুগী মতুং তারকপদা মহয় (কন্সিক্বেন্স) অদুনা ‘অকি-তুজুং পোকপা’ (টেররিজম) নত্তনা মী অমদি থৱায় পানবশিং অদুগী ওইবা নুংঙান-য়াইফংপা (নুংঙাই-য়াইফবা) হায়বদুদি কৈদৌনুংদা ওইদে হায়না খল্লি।

ইংরেজি ৱাহৈ "Culture" হায়রিবসিগী লোনহন (ত্রান্সলেশন) ওইবা ৱাহৈ ‘নাৎ’ হায়রিবসিগী মহুৎ শিনবা ইপা-ইপুগী লোন ওইবা ৱাহৈ ‘নাই’ (চৎনাইপী/চৎনবী) হায়বসি মী হায়বদুনা চৎননবগীদমক মীনা শেম্বা ঙাক্তনি। মরম অসিদগী নাৎ/নাই হায়রিবসি চৎনবী/চৎনাইপী হায়না কৌনগনি। মী হায়বদুনা চৎনবা (চৎ) নাইনবগীদমক (নাই০ থংন-থংননা মী অমমমদা পীনরকপা (পী) অদুবুনি ‘চৎনাইপী’ হায়না কৌনগদৌরিবসি। পীরক্কদৌরিবা অমদি ফংলগদৌরিবা অদু করিমত্তা নত্তে, হৈনবী (হৈনাইপী) হায়বদি হেবিট অদুবুনি। হৈনাইপী (হৈনপী) অদুবুনি চৎনাইপী/চৎনবী হায়বদি নাই/নাৎ (কলচর) হায়নরিবসি। মরম অদুনা, চৎনাইপী (চৎনবী) হায়বসিদা লোইনা য়াওরবনি। য়ুংপানলোন (য়ূম্বানলোন), লৈনিং-লৈশোন (লাইনিং-লাইশোন), পিচেৎ-লৈতেন (ফিজেৎ-লৈতেং), হনলৌ-কুংহৈ (হরাউ-কুমহৈ), লুমহোং-খোনতোংপা (লুহোং-খোংদোংবা), পোকপা-শিবা অনীগী থৌলম (থৌরম) অসিনচিংবা অকক্লবা খরখক অসিনা চৎনাইপী/নাই (চৎনবী/নাৎ) হায়বদু ওইবা য়াদে। ইলুমচনপা (ইরুজবা), তুংপা (তূম্বা), কোইপা চৎপা, লৌ-উপা/লৌ শুবা, চাং থোকপা (চাক থোংবা), য়েনসাং শেম্পা, অমাং-অশোই লৌথোকপা, মাইপান-ঈপান থোকপা, ইশম শম্না মী অমগী পূন্সিদা চৎনরিবা হৈনরিবা পূম্নমকশিং অদু চৎনাইপী/নাৎ হায়বদুনি।

চৎনাইপী/নাই হায়বদুনা মী অমগী, ইমুং অমগী, কাঙলূপ অমগী, লৈকাই/খুঙ্গং অমগী, লৈপাক অমগী হৈনাইপী-পুনশিন (হৈনবী-পুন্সি) অমা শাগৎলিবনি হায়বসি ‘চৎনাইপী’ ৱাহৈগী অশম্বী ‘নাই’ হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক্না ফোঙদোকই। ‘চাপা নাইপা’, ‘তুংপা নাইপা’, ‘থকপা নাইপা’, ‘হিংপা নাইপা’, ‘লৌনম তৌপা নাইপা’, ‘হাৎপা নাইপা’ অসিনচিংবা ‘নাই’ ওইপা পুম্নমকাং অসিবুসু চৎনাইপী-নাই (চৎনবী-নাৎ) ঙাক্তনি। মথক্কী ‘নাই’ ওইবশিং অসিদগী ঐখোয়না খঙমিন্নবা য়ারিবদি - মী অমদি অতৈ অতোপ্পা থৱায় পানবশিংদা নুংঙান-য়াইফংপা (নুংঙাই-য়াইফবা) পীবা নৎত্রগা হায়রিবা থংৱাই পানবশিং অসিদা অকি-তুজুংনীঙাইগী অমদি মাঙ তাক্লনীংঙাইগী ঈথিল পীবা চৎনাইপী/নাই (চৎনবী/নাৎ) অনী অসি ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপ অনীনা চৎনরি/হৈনরি হায়বসি অচুম্বা ৱাফমনি।

তোঙান তোঙানবা লৈপাক অমমমগী লৈজরক্লিবা তোঙান তোঙানবা চৎনপীশিং অদু তোঙান তোঙানবা লোল অমমমদা শাগৎনরকপনা মরম ওইদুনা লৈপাক অমগী চৎনবীগা (চৎনাইপী) অতোপ্পা লৈপাক অমগীগা কৈদৌনুংদসু মান্নফম থোক্তে হায়বসি চুমদুনতা লৈগদবনি। মরম অদুনা লৈপাক অমগী লোল অমদি চৎনাইপী (চৎনবী) অদুগা অতোপ্পা লৈবাক অমগী লোল অমদি চৎনাইপী (চৎনবী) অদুগা কৈদৌনুংদসু লানশিন্নংফম থোক্তে হায়বসিসু চুমদুনতা লৈগদবনি। লৈপাক অমগী লোল অমদি চৎনবী (চৎনাইপী) অনীদুনা লৈপাক মশা অদুদগী লম্থোকখিদুনা (লান) অতোপ্পা লৈপাক অমগী লোল অমদি চৎনাইপী (চৎনবী) অদুগী মহুৎ শিনজিনবগা লোয়ননা (শিন) হায়রিবা মথক্কী লৈপাক অদুগী লোল অমদি চৎনাইপী (চৎনবী) অদুগী মফম অমা অতোপ্পা লৈপাক অদুদা কনশিনবা (ফম) অদুবুনি ‘লানশিনফম’ হায়না কৌনগদৌরিবসি। মসিবুনি ‘লোল’ অমদি ‘চৎনাইপী’ (চৎনবী) হায়দুনা লানতাপা (লান্দাবা) হায়না কৌনগদৌরিবসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।